**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 11-11-2025)**

**মন্ত্রি (এল)ঃ** কেন্দ্রগী রোড ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী রাজ্য মন্ত্রি-অজয় তমতানা ঙসি চ়রাচান্দপুর জিলাদা চৎতুনা তোঙান তোঙানবা সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট স্কিমশিংগী মখাদা জিলা অসিদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং য়েংশিনখ্রে।

মন্ত্রিনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং য়াওনা সরকারনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী খুদোংচাবা ফংলবা বিনিফিসরিশিং অমদি লাঞ্জেন্নরবা মীওইশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

জিলা অসিগী মিণি সেক্রেটরিয়েট কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মন্ত্রিনা বোর্ডনা লৌবা পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনা ফংলকপা আই.দি.পি. মহৈরোই মঙাদা মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

থৌরমদুদা, প্রধান মন্ত্রি ফোরমেলাইজেসন ওফ মাইক্রো ফুদ প্রোসেসিং ইন্টরপ্রাইজেস, রাস্ত্রিয়া ক্রিসি বিকাশ য়োজনা, জল জিবন মীসন অমদি পি.এম.জে.এ.ৱাই. য়াওনা তোঙান তোঙানবা ফ্লেকসিপ স্কিমশিংগী খুদোংচাবশিং মীয়ামদা য়েন্থোকখি।

**মনিটেক্স (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী নিলাকুথিদা লৈবা অবার্ন হটতা চত্থরিবা ৪ শুবা মনিপুর ইন্টরনেসনেল টেক্সতাইল এক্সপো (মনিটেক্স) ২০২৫ গী ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎতা রাজ্যগী দিপার্টমেন্ট ওফ টেক্সতাইলস, কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রিগা তোঙান তোঙানবা বয়ার মরিগা এম.ও.য়ু. অমা সহি তৌনখ্রে।

ঙসি সহি তৌনখিবা মপান লমগী বাইয়রশিং অদুদি-আরটিসাফ এক্সপোত্রেদ-রাইপুর প্রাইবেট লিমিটেদ, কৃষ্ণ মহেতা ষ্টদিও এক্সপোটর কম

দিজাইন্নর, প্রতিমা পান্দে ফেসন দিজাইন্নর অমসুং নেসিপনি।

**লোক্তাক (এল)ঃ** নেসনেস হাইদ্রো পৱার কোরপোরেসন (এন.ঐচ.পি.সি) গী ৫১ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি লোক্তাক প্রোজেক্টকী চর্চ গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা বিষ্ণুপুর জিলাগী কন্মিস্নার-পুজা এলাংবমনা এন.ঐচ.পি.সিবু চহি ৫০ চুপা ক্লিন ইনর্জি অমসুং লৈবাক্কী শেমগৎ শাগৎপদা শরুক য়াবগীদমক থাগৎখি। রিন্যুয়েবল ইনর্জিগী খুত্থাংদা জাতি অসিদা মৈ ফংহনবদা কোরপোরেসন অসিনা লৌরিবা থৌদাংবুসু মহাকা থাগৎখি।

থৌরম অদুদা দিপ্যুতি কন্মিস্নারনা এন.ঐচ.পি.সিগী ফিরাল চিংখৎখি অমসুং তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং উৎপা স্তোলশিং হাংদোকখি। থৌরমদুদা সি.আর.পি.এফ, বি.এস.এফ. অমসুং এন.ঐচ.পি.সিগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং অমসুং ষ্টাফশিং শরুক য়াখি।

কেন্দ্র বিদ্যালয় লোক্তাক্কী মহৈরোইশিং অমসুং এন.ঐচ.পি.সিগী ষ্টাফশিংনা জগোই ঈশৈগী থৌরম কয়াসু উৎখি।

**ককচিং(এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে-১৩৭ এ শেন্থীদবগী মায়োক্তা ঙরাংদগী ককচিংদা মতম কক্তনা কৈথেল, স্কুল, কোলেজ অমসুং লল্লোন ইতিক্কী মফমশিং থিংজিনখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা মফম অদুগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাওনা অকায়বা পীরে।

ঐখোয়গী ককচিং পাউমীনা হায়-ককচিং লমখাইদগী ৱাবগাই লমখাই ফাওবগী লম্বীদা তঙাইফদবা লৌ কারকপগী গারিশিং নত্তনা অতৈ গারিশিং চেন্নদ্রে। স্কুল কোলেজশিং থোং লোনখি, দুকানশিং হাংনখিদে। ককচিং বজারগী কৈথেল ফম্বীশিং অমদি দুকান ফম্বশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন ৮ লোমা পুন্না মতম কক্তবা বন্দ অসি কৌবনি।

**ফিল্ম(এল)ঃ** ত্রাইবেল ফ্রেমস মণিপুরঃ নেসনেল ত্রাইবেল ফিল্ম ফেষ্টিভেল কম ষ্টেট লেভেল ত্রাইবেল কার্নিভেল হয়েংদগী ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্তর অমসুং মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দেভলপমেন্ট সোসাইতিদা হৌরগনি। ফেষ্টিভেল অসি থা অসিগী ১৫ ফাওবা চথগনি।

**লাইব্রেরী (এল)ঃ** '৫২ শুবা ইম্ফাল বুক ফেয়ার-২০২৫' মথং থাগী ১৫ দগী হৌরগা ২৪ ফাওবা ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরী, ইম্ফাল অমসুং মনিপুর ষ্টেট অরক্রাইবস ইম্ফালগী কেম্পশিংদা পাঙথোক্লগনি। শরুক য়ানিংবা বুক ফার্মশিং, কম্পানিশিং অমদি এজেন্সিশিংনা অকুপ্পা মরোল লাইব্রেরী অসিদগী খঙবা য়াগনি।

**ডে (এল)ঃ** ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ এদুকেসননা শিনদুনা নেসনেল এদুকেসন ডেগী থৌরম ঙসি জি.পি. ৱিমেন্স কলেজতা পাঙথোকখ্রে। নুমিৎ অসি ভারতকী অহানবা শিক্ষা মন্ত্রি-মৌলানা অবুল কলাম অজাদকী মপোক নুমিৎপু নীংশিংদুনা পাঙথোকপনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসার-ডব্লিয়ু. চান্দবাবুনা হায়-লৈবাক অমা চাউখৎনবা হোৎনবদা শিক্ষাগী চাউরবা থৌদাং লৈ। শিক্ষানা মীওইবগা পুন্সিদা অহোংবা কয়া পুরক্লি। হৌজিক্কী মতমদা চাউখৎলকপগী মতুং ইন্না মীওইবনা ৱাখল খনবা ঙম্বগী থবক অসিদা আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স (এ.আই) না চৈথেং পীরি। মীওইবনা ৱাখল খনবা ঙম্বগী ব্রেন অসি শিজিন্নবগী মহুৎতা এ.আইনা মহুৎ শিল্লকপা হায়বসি অফবা খুদম নত্তে।

মনিপুর ইন্টরনেসনেল য়ুনিভরসিতিনসু শিনদুনা নেসনেল এদুকেসন ডেগী থৌরম ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী ঘাড়িদা লৈবা য়ুনিভরসিতি অসিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা য়ুনিভরসিতি অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার-পি.কুমার সিংহ, রেজিস্ত্রার-টি. ব্রজেশ্বরি য়াওনা মীওই কয়ানা

শরুক য়াখি।

ওল মনিপুর মুস্লিম (মীতৈ পাঙল) ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা শিনদুনা নুমিৎ অসি ইম্ফালগী হফিস হত্তাদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখি। থৌরমদুদা এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট-এ.আর. খান, মনিপুর পাব্লিক সার্ভিস কম্মিসনগী হান্নগী মেম্বর-এম.এ. সতারনচিংবা শরুক য়াখি।

**সেমিনার (এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ভোকেস্নেল ষ্টদিজ এন্দ স্কিল দিবলপমেন্ট অমসুং মনিপুর য়ুনিভরসিতি এল্যুমনাই এসোসিয়েসননা পুন্না শিনদুনা টুরিজম এন্দ সসটেনেবল ত্রান্সফোরমেসন হায়বা হীরমদা নুমিৎ নিনি চত্থগদবা জাতি থাক্কী সেমিনার অমা ঙসিদগী দিপার্টমেন্ট অসিগী ত্রেন্নিং হোলদা হৌখ্রে।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা সোভেনর অমসু ফোংখি।

**অনাল(এল)ঃ** অনাল লেন্দ রুল তাংপীগী প্রসিদেন্ট-ভি.দি. নিংৱারনা লুচিংবা লুপ অসিগী মীওই তরুকা শাবা মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালাগা উন্নদুনা চান্দেল জিলাদা লৈরিবা মীয়ামনা থেংনরিবা খুদোংচাদবগী মতাংদা পাউদমখ্রে। জিলা অসিদা মহৈ মশিং, হকশেল, লম্বী থোং য়াওনা চাউখৎ থৌরাংগী ইনফ্রাষ্টকচরগী লমদা মীয়ামনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক রি হায়না মীহুৎ কাংবু অসিনা ফোংদোকখি। মহৈরোইগী স্কোলারসিপ মতম চানা থাদোকপীনবা, লোল অমদি কালা সংস্কৃত্তি নীংথিনা ঙাক্তুনা থমবা হোৎনবদা মতেং পাংবীনবা ৱাফমসু রাজ্যপালদা থমখি।

**সেনাপতি (এল)ঃ** সেনাপতি জিলাদা সরদার ভালাভাই পতেলগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা সরদার এদ-১৫০ পদ যাত্রা (য়ুনিতি মার্স) ঙসি

পাঙথোকখ্রে। খোঙচৎ অদু জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার মামোনি দোলিনা লুচিংদুনা দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্স সেনাপতিদগী চৎপা হৌখি।

থৌরম অদু মেরা য়ুব ভারত-সেনাপতিনা দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস অমসুং এন.এস.এস. সেলনা পুন্না শিনবনি। পদ যাত্রা অদু সরদার পতেলগী শক্তমদা লৈ কৎতুনা অমসুং কেন্দল থান্দুনা হৌদোকখি।

**বিজেপি (এল)ঃ** বি.জে.পি. ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা শিনদুনা ঙসি বন্দে মাতরমগী ১৫০ শুবা কুমওন থৌরম খুরখুল লমখাইদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা ঐচ.দিংগো সিংহ-এম.এল.এ. অমসুং দলগী লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

**চান্দেল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট ইন্দষ্ট্রি সেন্টর-চান্দেল অমসুং তেংনৌপলনা শিনদুনা রাইজিং এন্দ এক্সেলেরেটিং এম.এস.এম.ই. প্রার্ফোমেন্স স্কিমগী মখাদা উদ্যাম রেজিষ্ট্রেসন তৌবা অমদি মীয়ামদা নাংথিনা খঙহনবগী এৱারনেস প্রোগ্রাম জিলা অনি অসিদা পাঙথোক্কদৌরি।

চান্দেল জিলাগী ওইনা থা অসিগী ১৪ অমসুং ১৬ তা চান্দেল জিলাগী দি.সি. মল্টি প্ররপজ হোল অমসুং খুদৈ খুনৌ কম্ম্যুনিতি হোলদা অদুগা তেংনৌপল জিলাগী ওইনা থা অসিগী ১৬ অমসুং ২৬ তা তেংনৌপল কম্ম্যুনিতি হোল অমসুং মচিদা লৈবা খংশিম কম্ম্যুনিতি হোলদা উদ্যম রেজিষ্ট্রেসন দ্রাইব পাঙথোক্কনি হায়না চেরোল অমদা ফোংদোরক্লি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-দিল্লিগী তমথিরবা থৌদোক অদগী লৌতুনবশিং লেমা থারোই অমসুং চেন্নবা খুদিংমক চৈরাক পীগনি। ভুটানগী থিনফুদা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-অৱাবা নংলবা ইমুংশিংগী চৈনা অদু মহাকসু খঙই অমসুং লৈবাক অসিনা মখোয়গীদমক লেপলি। শ্রী মোদিনা হায়-ঙরাং অহিং চুপ্পা মহাকা থৌদোক অদু থিজিল্লিবা এজেন্সিশিংগা

পাউ ফাওনখি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ঙসি অসি ভুটান, ভুটানগী নিংথৌগী ইমুং মনুং অমসুং মালেমদা শান্তি থম্বদা থাজবা মী খুদিংমক্কী য়ামা মরুওইবা নুমিৎ অমনি। মহাকা হায়-চহি চা কয়াদগী ভারত অমসুং ভুটানগী মরী অসি য়ামা চেৎপা, অফবা অমসুং কলচরগী ওইবা মরী ওইদুনা লাক্লি। মহাকা হায়-মরুওইরবা থৌরম অসিদা শরুক য়াবা অসি ভারত অমসুং মহাক মশাগী ওইবা অচেৎপা ফিরেপনি।

অমরোমদা, ঙাককশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়রি-দিল্লিগী কার বোম পোকখায়বদা চেন্নবা খুদিংমক শোয়দনা চৈরাক পীগনি অমসুং করিগুম্বা ফিভম অমত্তদা লেমা থারোই। ন্যু দিল্লি ঙসি দিল্লি দিফেন্স দাইলোগতা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-মকোক থোংবা এজেন্সিশিংনা থৌদোক অদু খোংজোল য়াংনা অমসুং কুপা থিজিল্লি।

দিল্লিগী থৌদোক অদুবু মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা অৱাবা ফোংদোরক্লি। থৌদোক অদুদা শোক্লবশিং অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়না রাজ্যপালনা হায়রি।

রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনসু থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লি। থোদোক অসিগী পাংদবগী থবকনি। মসিদা চেন্নরিবশিং আইনগী চপ চাবা চৈরাক পীগদবনি। লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি অমসুং অশোকপশিং অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইরসনু।

**অমিতঃ** দিল্লিগী রেড ফোর্ট মনাক্তা ঙরাং কার বোম পোকখায়খ্রবা মতুংদা ফিভম অদু কুপা য়েংশিন্নবা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা সভাপতি ওইদুনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদা সেক্যুরিতিগী অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা কেন্দ্রগী হোম সেক্রেটরি, ইন্টিলিজেন্স ব্যুরোগী দাইরেক্তর, দিল্লি পুলিস কম্মিস্নার অমসুং নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ) গী দাইরেক্তর জেনরেল শরুক য়াখি। মীফম অদুদা জম্মু অমসুং কাশ্মির পুলিসকী

দাইরেক্তর জেনরেলসু ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা শরুক য়াখি।

থৌদোক অদু থিজিন্নবা গৃহ মন্ত্রিনা এ.আই.এদা খঙহনখ্রে। ঙরাংগী থৌদোক অদুগী য়েংলগা দিল্লি সহরদা সেক্যুরিতিগী ঙাকশেলগী থৌরাং কনখৎলে। থৌদোক অদু মতৌ করমা থোকখিবনো হায়বদু মরিক চুমা খঙদোক বা থিজিন হূমজিনবগী থৌরম চত্থরি। সহর অদুদা মহৌশাগী ফিভমদা হনজিল্লক বা পুলিসনা অকনবা থবক লৌখৎলি। থৌদোক অদুগী মতাংদা দিল্লি পুলিসনা অনলোফুল এক্তিভিটিজ প্রিভেন্সন এক্ট, এক্সপ্লোসিবস এক্ট অমসুং ভারত্তিয়া নিয়াই সনহিতাগী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা কেস অমা রেজিস্তার তৌরে।

অমরোমদা, ফিভম অদু য়েংলগা রেড ফোর্ট মেত্রো ষ্টেসন মতম খরগী ওইনা থিংদুনা থমখিগনি হায়না দিল্লি মেত্রো রেল কোরপোরেসননা ফোংদোকখ্রে। অদুমওইনমক, অতৈ মেত্রো ষ্টেসনশিংগী ওইনদি মহৌশাগুম মথৌ তৌরি। সেক্যুরিতিগী ফিভম য়েংলগা মীয়ামনা রেড ফোর্ট য়েংবা লাকপা শগোলশেন নুমিৎ ফাওবা থিংজিল্লে।

**বিহারঃ** বিহার বিধান সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোট ঙসি শান্তি ওইনা থাদনখ্রে। চাদা ৬৭ রোমগী চাংদা ভোট থাদনখি। তাঙ্কক অসিদা জিলা ২০ হেনবগী বিধান সভা কেন্দ্র ১২২ দা ভোট থাদখি।

তাঙ্কক অসিদা ভোটর কোতি অহুম লাখ ৭০ হেনবনা নুপী ১৩৬ য়াওনা মীরেপ লিশিং ১,৩০২ গী মীখলগী মরাইবক লেপকনি। অয়ুক পুং ৭ তা থাদনবা হৌখিবা অসি নুমিদাংৱাইরম পুং তরুক্তা লোয়শিনখি।

**সাবিত্রিঃ** ত্রাইবেলশিংগী নাৎ অমসুং চৎনবী ঙাক্তুনা থম্বা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্কী দায়ত্বনি হায়না কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিবলপমেন্টকী রাজ্য মন্ত্রি- সাবিত্রি ঠাকুরনা হায়রি।

ন্যু দিল্লিদা নেসনেল ত্রাইবেল লিটরেরি ফেষ্টিবেল-২০২৫ দা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-ভারতকী ত্রাইবেলশিং অসিগী য়ামা ইনাক খুনবা অমসুং মখল মখাগী ইতিহাস লৈজে। অঙাংশিংনা ত্রাইবেল কলচর অমসুং হেরিটেজ খঙনবগীদমক মসিবু ৱারী ওইনা ওন্থোকপা য়াই। য়েলহৌ লোলশিংগী থাক অমসুং লোলশিং অসিবু শিজিন্নবগী চাং হন্থরকপা উবদা মন্ত্রিনা নুংনাংবা ফোংদোকখি।

**কুন্দোঃ** থাইলেন্দদা চথরিবা ৱার্ল্ড য়ুথ গেমস ২০২৫ দা মনিপুরগী জিট কুন্দো শান্নরোইশিংনা সনাগী তকমান মরি অমসুং লুপাগী তকমান অমা লৌদুনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকখিবা মনিপুরগী শান্নরোইশিংবু রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

মখোয়গী কৎথোকপনা রাজ্য অসিগী অমসুং লৈবাক অসিদা চাউথোকপা ফাওহল্লে হায়রি।

**ফুটবোল ঃ** এস.এস.সি. গ্রাউন্দ সেক্তাদা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা প্রিমিয়র লিগকী মেটচ অমদা-য়ুনাইটেদ চান্দেল এফ.সি. অমসুং য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-এঠলেটিক্স ব্রদরস এসোসিয়েসননা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

**বেদমিন্টনঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী মীৎয়েং মখাদা রোয়েল একাডমী ওফ লো-ওইনামনা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা চোংথাম ওংবী রাজকুমারী-নলিনি মেমোরিএল এম.য়ু. ইন্টর কলেজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী ফাইনেল মেটচতা-পোল স্তার কলেজনা কমখ্যা টেম্পল কলেজপু সেট ৩-১ দা থোইখ্রে।

নুপীগী ফাইনেলদা-মনিপুর য়ুনিভরসিতিনা ইম্ফাল কলেজপু সেট ২-১ দা

মায়থিবা পীখি।

**ক্রিকেটঃ** লাল বহাদুর শাস্ত্রি ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা রনজি ত্রোফি প্লেটকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মনিপুরনা মিজোরামবু ৱিকেট মঙাদা থোইখ্রে।

**ক্রিকেটঃ** মোহালিগী আই.এস.বিন্দ্র ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা চহি ২৩ মখাগী নুপাগী ষ্টেট এ-ত্রোফি প্লেটতা মেঘালয়না মনিপুরবু ৱিকেট অমদা মায়থিবা পীরল্লে।

**ক্রিকেটঃ** বি.সি.সি.আই. টুর্নামেন্ট কুজ বিহার ত্রোফি-২০২৫-২৬ তা শরুক য়াগদবা মনিপুর টিমগী শান্নরোই ১৫ অমসুং সপোর্ট ষ্টাফ ৯ খল্লে। টিম অসি থা অসিগী ১৩ দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি হায়না মনিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা হায়রি।

**চান্দেল (এল)ঃ** খেলো ইন্দিয়া স্কিমগী মখাদা জিলা থাক্তা পাঙথোক্কদবা নন-রেসিদেন্সিয়েল কোচিংদা শরুক য়ানবগীদমক চহি ১৪ অমসুং ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংগী ভোল্লিবোল ত্রাইয়েল কম সেলেক্সন থা অসিগী ১৫ দগী হৌরগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস ওফিস চান্দেলগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। ত্রাইয়েল অসি স্পোর্টস কমপ্লেক্স চান্দেল খৃষ্টানদা পাঙথোক্কদবনি।